## অফঘানগী মতাংদা ইরাননা পাকিস্তান হুন্দুনা ঙাঙখ্রে

টেহ্‌রান, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সী): অফঘানিস্তানদা মমাং থাদগী হৌরগা পৱার পায়রকখ্রবা টালিবানশিংবু পাকিস্তাননা লান্না লমজিংনবা হোৎনরি হায়না ইরাননা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা যুমথংনরিবা লৈবাক অমা ওইনা অফঘানিস্তান লৈবাকপু মাঙহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা তংদু লৈতাবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা হেন্না পুক্নিং চঙগদবনি হায়রি।

ইরান ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় সহিদ খাটিবজাদেনা ফোঙদোকখিবদা টালিবাননা হৌজিক হৌজিক লৌশিনবা ঙমদনা লৈরিবা পঞ্চির ভেলিগী পাউ তাবদা নুংঙাইতবা ফাওই। পঞ্চির প্রোভিন্সতা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা সিটি গ্রুপনা টালিবানশিংগী মতাংদা অরানবা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। সুনি গ্রুপনা মমাং থাগী ১৫ দা কাবুল কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং পঞ্চির প্রোভিন্সতা লৈরিবা সিটি গ্রুপতা অতম্না টর্গেট তৌরগা তোঙান তোঙানবা মখলগী থবক পায়খৎলক্লিবা অসি লাইবকথিবনি। পাকিস্তাননা অসিগুম্বা থবক থৌওং অসিদা টালিবনগী পুক্নিং থৌগৎলোইদবনি।

## এ দি এফ রেবেলশিং ওইরমগনি চিংনবশিংনা মীওই কয়া কোঙ্গোদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে



কিনসাসা, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সী) : দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোংঙ্গোগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা এলাইদ দিমোক্রেটিক ফোর্সেস (এ দি এফ) রেবেল গ্রুপশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা এটেক চথুদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং লোকেল ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙরাং ইতুরি এরিয়াদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা খুৎলাই পায়বা রেবেল গ্রুপ অদুনা মীওই ৩০ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। ৱালেচে ভোনকুতুগী এক্টিং চেয়রমেন দ্যুদোন মলাঙায়িনা ফোঙদোকখিবদা এ দি এফ রেবেল গ্রুপশিংনা ইতুরি এরিয়াদা য়াম্না তোয়না এটেক চথুদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং ফুবা অমদি হাৎপগী থবক য়াম্না তোয়না চথুরি।

ঙরাংসু খঙহৌদনা খুৎলাই পায়বা গ্রুপ অদুনা চথুরকখিবা এটেক অমদা অহানবগী ওইনা অশিবা হকচাং ১৪ থেংনখি। মদুগী মতুং মীয়াম্না মখা তানা মাঙখিবা মীওইশিং থিবগী থবক চথুরকপদা ইতুরি ভিলেজকী মনাক্তা লৈবা উমং অমগী মতাই থংবা শরুক্তা মীওই ১৬ কী অশিবা হকচাংশিং থেংনখিবনি। মীওইশিংদু ফারবা মতুং নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা ওইরম্বা য়াবগী খুদম কয়া ফংঙি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এ দি এফ রেভেল গ্রুপ অসি টেররিষ্ট গ্রুপ অমা ওইনা লাউথোকখ্রবনি। হায়রিবা টেররিষ্ট গ্রুপ অদুনা দি আর কোঙ্গোগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মিনরেল য়াম্না থোকপা মফমশিং অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মমাং থাদসু বেনি টেরিতোরিদা হায়রিবা গ্রুপ অসিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১৯ হিংনা মৈ থাদুনা হাৎপগী থৌদোকসু লৈখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা রেবেল গ্রুপ অসিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৬,০০০ হেন্না হাৎখ্রে। হায়রিবা অসিগী মনুংদা ১,২০০ দি বেনি এরিয়াদা কুমজা ২০১৭ তা হাৎখিবনি। কোঙ্গোলিষ্ট ওথোরিটিশিংনা এ দি এফপু লৈবাক অদুদগী তাহোকখিনবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মায় পাকপা ঙমদ্রি।

ইতুরি প্রোভিন্সতা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিবু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক সিক্যুরিটি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়দা অহেনবা পৱার কয়াসু শিন্নখ্রে। দি আর কোঙ্গোদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি ইন্তরনেসনল কম্যুনিটিশিংনা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে।

## গিনিয়ন স্পেসল ফোর্সনা কু তৌদুনা পৱার পায়শিনখ্রে, প্রসিদেন্ট ফাজিনখ্রে

কোনাক্রি, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সী) : গিনিয়ন স্পেসল ফোর্সশিংনা কু তৌরগা লৈবাক অদুদা পৱার পায়শিন্দুনা প্রসিদেন্ট ফাজিন্দুনা থমখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা মতম কক্তবা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে।



অফ্রিকান কন্ত্রিশিংগী মনুংদা য়াম্না লায়রবা লৈবাক অমা ওইরিবা গিনিদা স্পেসল ফোর্সশিংনা ঙরাং কু তৌদুনা হান্না লৈরম্বা গভর্ণমেন্ট অদুবু ইন্থুখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিফোর্ম শেৎপা আর্মী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা প্রসিদেন্টবু মখোয়না ফাজিল্লবা মতুং হান্না লৈরম্বা কন্সটিট্যুসন অদু দিজোলভ তৌনবা ফিরেপ লৌরে। মতম খরগী ওইনা গিনিগী নোংথক অমসুং লৈমায়গী ওইবা ঙমখৈগী শরুকশিংসু থিংজিল্লে। এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সিদা থারকখিবা ভিদিও ফুটেজ অমদা গিনিগী প্রসিদেন্ট অলফা কোন্দে সোফা অমদা আর্মীনা কোয়শিল্লগা ফম্বা উরি। চহী ৮৩ লোম শুরবা লুচিংবা অসিদা লান্মী অমনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম মহাক্না পীয়ু হায়বা য়াখিদে। লান্মীশিংনা মঙোন্দা ওৎ নৈবগী থবক চথুব্রা হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম অদু চহী অহল ওইরবা প্রসিদেন্ট অসিনা পীয়ু য়াখিদবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা মিলিটরিনা কু তৌদুনা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং লৈবাক পুম্বদা জুন্টানা কর্ফিয়ু লাউথোকখিবগা লোয়ননা হান্না লৈরম্বা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং হয়েং অয়ুক ফাওবগী মনুংদা মিলিটরি লুচিংবশিংগা উন্নগদবনি হায়রি। করিগুম্বা ৱাফম অসি য়াদ্রবদি মখোয় লৈঙাক্কী মায়োক্তা লাল হৌবা মীওইশিংনি হায়না লৌগনি হায়রি। গিনি মিলিটরি স্পেসল ফোর্সকী লুচিংবা লেফটনেন্ট কোলোনেল মমাদি দোমবৌয়ানা ফোঙদোকখিবদা হান্না লৈরম্বা লৈঙাক অসিনা অরানবা থবক থৌরম কয়া চথবদগী মিলিটরিনা কু তৌরকখিবনি। ঐখোয়না পোলিটিসিয়নশিংবু থাজবা ঙমদ্রে। মীয়ামগী ওইবা পোলিটিক্সতা ঐখোয়না থাজবা থমগনি। গিনি য়াম্না ফজবা লৈবাকনি। করপসননা হারবা পোলিটিসিয়নশিংনা গিনিবু অমুক হন্না ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থবক মখা তানা চথহল্লরোই। মীয়াম খুদিংমক্না গিনিবু নুংশিগদবনি অমদি ফজবা লৈবাক ওইহনদবনি হায়রি।

**DIRECT ADMISSION 2020-21**

B. Sc. AGRICULTURE
B. Sc. FORESTRY
B. Sc. HORTICULTURE
B. Sc. MLT
B. Sc. MM (MEDICAL MICRO BIOLOGY)
B. Sc. OPTOMETRY
BMRIT - (MEDICAL RADIOLOGY & IMAGE TECHNOLOGY)
B. Sc. OT - (OPERATION THEATRE TECHNOLOGY)
BPT
DIPLOMA IN DIALYSIS
DIPLOMA IN OPTOMETRY
DIPLOMA IN X-RAY
DMLT
GNM
B. Sc. NURSING
B. Sc. FOOD TECH
B. A. MASS COMMUNICATION & JOURNALISM
BHA (BACHELOR IN HOSPITAL ADMINISTRATION)
BHM
BBA LL.B., BA LL.B.,
ENVIRONMENTAL SCIENCE
FISHERIES SCIENCE
BCOM. HONS.
BBA

B. Sc. MM (MEDICAL MICROBIOLOGY)
B. Sc. IT, B. TECH, BE
B. Sc. Hons, ANIMATION & GAMING
B. PHARM, D-PHARM
B. PHARM, LATERAL ENTRY
B. Sc. HONS. PHYSICS
B. Sc. HONS. CHEMISTRY
BA. HONS. ENGLISH/PSYCHOLOGY
BACHELOR IN FASHION DESIGN
BCA, BCA CYBER SECURITY
M. Sc. AGRONOMY
M. Sc. FORESTRY
M. Sc. HORTICULTURE
M. Sc. MLT
M. Sc. SEED SC & TECH
MPT.
M. Sc. EVS
MBA (HR, IB MARKETING, FINANCE)
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. FOOD TECH
M. Sc. BIOTECHNOLOGY
M. Sc. FOOD NUTRITION DIETETICS
M. Sc. INDUSTRIAL CHEMISTRY
M. Sc. PHARMACEUTICAL CHEMISTRY
M. Sc. PLANT PATHOLOGY
M. Sc. ZOOLOGY
M. Sc. BOTANY
MA. ENGLISH
M. TECH

Sd/- WANGKHEI PUKHRAMBAM LEIRAK
Contact No. - # 7085653886, # 8837454543
HL-P/9512/5/9-3/10 (alt)

## ফোর্মর আর্মী স্নাইপর অমনা মীওই ৪ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

ফ্লোরিদা, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সী) : য়ু এস মিলিটরিদা হান্না স্নাইপর অমা ওইনা থবক তৌরম্বা মীওই অমনা থা অহুম খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই ৪ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুং মহাক মশা সেন্ত্রেল ফ্লোরিদা পুলিসতা সরেন্দর তৌখ্রে হায়রি।

পোল্ক কাউন্টি সেরিফ গ্রেদি জুদনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওই অদু ব্রাইন রিলে (৩৩) কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। মহাক্না চথুখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌওং অদুদা চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমসু শোকখি। নুপী মচা অদু হৌজিক গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথুরি। করি মরমগীদমক রিলেনা ভাইওলেন্স ওইবা থৌওং অদু চথুখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মহাক্না নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মীওইশিং অদুসু রিলেগা মরী লৈনবা মীওই অমত্তা নত্তে।

ইরাক অমসুং অফঘানিস্তানগী লাল কয়াদা শরুক য়ারুরবা স্নাইপর অসিনা মীওই ৪ অদু হাৎলবা মতুং পুলিসতা চঙজরকখিবনি। পুলিসতা চঙজরকখ্রবা মতুং মহাকপু কষ্টদিদা পুনবা হোৎনরিঙৈদা পুলিস ওফিসর অমদগী নোংমৈ মুন্নবা হোৎনরকখি। মদুদা মহাক পুলিস ওফিসরশিংনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা ফু চৈবগী থবক চথবদগী শোকখি। অমরোমদা রিলেগা খঙনজরিবা নুপীদা হংলুবা মতমদা লান্মী ওইরম্বদগী পোথরবা মতুং মহাক্কী থবক থৌরমদা অহোংবা কয়া লাকপা থেংনখি হায়না পাউদল্লকখি।

## চাইনিজ মিলিটরি এয়রক্রাফট টাইৱান তম্না পাইশিল্লকখি

টাইপৈ, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সী) : ঙরাং অয়ুক অঙনবদা টাইৱানগী খা নোংচুপ থংবা এয়র স্পেসকী শরুকশিংদা ন্যুক্লিয়র ৱার হেদশিং পুবা ঙম্বা এয়রক্রাফটশিং য়াওনা পুন্না চাইনিজ মিলিটরি এয়রক্রাফট ১৯ পাইশিল্লকপা থেংনখি হায়না টাইৱানগী মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনল দিফেন্সনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখিবদা চাইনানা টাইৱানগী ঙমখৈ শরুকশিংদা মিলিটরিগী ওইবা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরক্লি। ঙরাংসু ইন্তরনেসনল লোগী ৱাংমদা চাইনিজ মিলিটরি এয়রক্রাফট ১৯ অদু টাইৱানগী এয়রস্পেসতা পাইশিল্লকপা থেংনখিবনি। টাইৱানগী এয়রস্পেস শরুক্তা পাইশিল্লকখ্রবা এয়রক্রাফশিং অদুগী মনুংদা ঐচ-৬ বোম্বর ৪, জে-১৬ ফাইটর জেট ১০ অমসুং সুখোই এস য়ু-৩০ জেট ৪ নি। মদু নত্তবা ৱাই -৮ ট্রান্সপোর্ট অমসু টাইৱান এয়রস্পেসকী শরুক্তা পাইশিল্লকখি। হৌখিবা জুন ১৫ দা টাইৱান তম্না চাইনিজ এয়রফোর্স এয়রক্রাফট ২৮ পাইশিল্লকখ্রবা মতুং ঙসি অমুক মিলিটরি এয়রক্রাফট ১৯ পাইশিল্লকখিবা অসিনা মরম ওইরগা টাইৱানদা চরাংনবা পোকহল্লে হায়রি।

## টালিবান প্রোভিন্সিএল গভর্ণরনা আই এস আই এস মায়োক য়ানবা ৱাশকখ্রে



জালালাবাদ, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সী) : হান্না লৈরম্বা অফঘান গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা চহী কয়া লাল হৌদুনা লাকখিবা টালিবান কম্মান্দর মুলা মেদা মহমদনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টনদা হৌজিক টালিবানগী লৈঙাক অমুক লাক্লে। জিহাদিসশিংগী মায়োক্তা থবক তৌরিবা আই এস আই এস গ্রুপকী মায়োক্তা টালিবাননা মায়োক য়াবা হৌরগনি।

মমাং থাগী ময়াই চল্লকপদা টালিবাননা অফঘানিষ্টান মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং টালিবানগী লুচিংবা মহমদনা নঙ্গরহর প্রোভিন্সকী গভর্ণর ওইনা থৌ পুখিবনি। হায়রিবা প্রোভিন্স অসি আই এস আই এস অফঘানিষ্টান-পাকিস্তানগী মেম্বরশিংনা য়াম্না এক্টিভ ওইনা লৈরিবা মফম অমনি। মহমদনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হায়রিবা প্রোভিন্স অসিদা লৈরিবা আই এস আই এসকী মেম্বরশিং থিবগী থবক য়াম্না কন্না চথুরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা প্রোভিন্স অসিদগী আই এস আই এস মেম্বর ৮০ রোম ফাবা ঙমখ্রে। আই এস আই এস টালিবানগীসু য়েক্লবনি। অফঘানিষ্টানদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা আই এস আই এস গ্রুপনা এটেক চথুদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া হাৎখিবা অদু টালিবাননা কৈদৌনুংদা ঙাকপীবা তৌরোই। কাবুল এয়রপোর্টতা মমাং থাগী ২৬ তা বোম ব্লাষ্ট চথুখিবা অদুসু আই এস আই এস গ্রুপননি হায়রি।

## অফঘান রেজিষ্টেন্স গ্রুপকী ৱাঙাঙলোয় হাৎখ্রে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সী) : পঞ্চির প্রোভিন্সতা লৈরিবা এন্টি টালিবান গ্রুপকী ৱাঙাঙলোয় ফাহিম দাষ্টি ঙরাং টালিবান ফাইটরশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রে হায়না টি ও এল ও ন্যুজ এজেন্সিগী ওইবা ছোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল রেজিষ্টেন্স ফ্রন্ট ওফ অফঘানিষ্টানগী ৱাঙাঙলোয়সু ওইরিবা ফাহিম দাষ্টি জমিয়ট-ঈ-ইস্লামিক পার্টিগী সেনিয়র মেম্বর অমসু ওইরিবনি। ফেদরেসন ওফ অফঘান জর্নেলিষ্টকী মেম্বর অমসু ওইরিবনি হায়না খামা প্রেসনা ফোঙদোরক্লি। পঞ্চির ভেলি অসি হিন্দু কুস মাউন্টেনগী শরুক্তা লৈবা মফম অমনি। হায়রিবা মফম অসি কাবুলগী অৱাং থংবা শরুক্তা মাইল ৯০ রোম চৎলগা লৈরি।

টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টান মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রবসু হায়রিব প্রোভিন্স অসিদি লৌশিনবা ঙমদনা লাকখিবনি। টালিবান ফাইটরশিংনা পঞ্চির প্রোভিন্সকী অয়াম্বা শরুক কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লে হায়না হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি। অদুমওইনমক রেজিষ্টেন্স গ্রুপ অসিনদি টালিবানগী ৱারোল অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রোভিন্স অদুদা চঙশিল্লক্লবা হোৎনখিবা টালিবান ৬০০ হেন্না হাৎখ্রে হায়না ক্লেম তৌবা লৈখ্রবনি।

**ADMISSIONS OPEN**
**FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22.**
**HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !**
**STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES.**
**COURSES OFFERED:**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| MBBS | B.PHARM | BE | BCA | BSc NURSING |
| BDS | M.PHARM | MBA | BBA | BSc, MSc NUTRI |
| BAMS | PHARMA.D | MCA | BCOM | PBBSc NURSING |
| BHMS | D.PHARM | BHM | MCOM | MSc NURSING |
| BMLT | BPT, MPT | GNM | LLB | M.TECH..etc. |

CONTACT US : 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.
HL-P/3873/20 Aug. to 18 Sept

**ADMISSION OPEN**
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7118/1/9-1/10

### OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

No. 3/1/2018-IMC-2 Imphal, the 6th September, 2021

**খঙহঞ্জবা**

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing for All (Urban), PMAY-HFA (U) গী মখাদা Imphal Municipal Corporation গী 1st Phase কী Final List তা য়াওখ্রবশিংগী মনুংদা MIS Web Portal দা মিং চল্লবা অদুগা অমরোমদা যুম শাবা হৌদ্রিবা Beneficiary শিংগী মিং অদু **imc.mn.gov.in** দগী খঙবীবা য়াগনি। হায়রিবা Beneficiary শিং অসিনা লাক্লিবা September 20 ফাওবগী মনুংদা ইশা-ইশাগী য়ুমশিং অদু শাবা হৌনবা নীংশিংজরি। Beneficiary শিংনা ইশা-ইশাগী য়ুম শাবগী State/ Progress অদু PMAY-Cell, G.M. Hall দা পাউ পীবীগদবনি নৎত্রগা মখাদা পীজরিবা Mobile Number শিং অসিগী খুথাংদা পাউ পীবীরক্কদবনি।

| Ward No. | Mobile Number | Ward No. | Mobile Number |
|---|---|---|---|
| 1, 10, 20 | 7640969703 | 3, 24 | 8256981803 |
| 22, 23, 26 | 8731022655 | 9, 13, 14, 15, 16 | 7640958502 |
| 5, 6, 7, 17 | 7640958512 | 2, 8, 11 | 7629051574 |
| 18, 19, 21, 25 | 8794355948 | 4, 12, 27 | 8787736454 |

মথক্তা পীজরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা যুম শাবা হৌদবশিং অদু Final Beneficiary list তগী কক্‌থৎপদা নৎতনা মখা তাবা ৱাকৎসু Imphal Municipal Corporation না লৌজররোই।

খঙহঞ্জরিবা : **K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

HL-B/7135/7,8

### KHONGNANGTHABA UNIVERSITY
**Khurai Konsam Leikai, Imphal East**

Admission Notice No.AADM-1/KU/R-21 Date : 25/08/2021

It is hereby notified to all concerned that the academic session (2021-2022) of Khongnangthaba University, established under the provision of the Manipur Private University Act 2021, shall start its first academic session from September 2021 with the following disciplines. Applications are invited from the intending candidates to take admission in the following subjects:-

1. Master of Mass Communication and Journalism (Mass Com)
2. Master of Computer Application (MCA)
3. Master of Environmental Sciences (EVS)
4. Master of Bussiness Administration (MBA)
   a) MBA (General) b) MBA (Travel and Management)
   b) MBA (Banking and Finance)
5. Foreign Language Course (Certificate Course)
   a) Burmese b) Chinese c) Japanese d) Korean
6. Certificate course in Disaster Management
   a) Certificate Course on Pandemic Covid Management
   b) B.Sc. in Disaster Management c) M.Sc. in Disaster Management

Prospectus and detailed admission information will be available from the University Website :- https://www.khongnangthabauniversity.org

Last date for the submission of completely filled up admission form will be 25th September 2021. The submission of the completed admission form as per prospectus will be applicable either in offline or online mode.

HL-P/9859/26,28,30,1,3,5,7 Sd/- **H. Rajamani,** Registrar

### MESSAGE

Azadi Ka Amrit Mahotsav

The 3rd National Lok Adalat organized under the aegis of National Legal Services Authority will be held on this coming **Saturday, the 11th day of September, 2021**. Manipur State Legal Services Authority along with High Court Legal Services Committee and all District Legal Services Authorities will be organising such Lok Adalats from time to time and any person can contact the offices given below, if they are not able to make it for this upcoming Lok Adalat.

2. A Lok Adalat is a People's Court where parties have an opportunity to directly take part in the resolution of the disputes amicably. Formal rules of procedures and evidence are not applied. It is a speedy, cost effective and creates a permanent win-win situation for the parties.

3. Both pre-litigation and pending cases such as given below can be determined before the National Lok Adalat:

**I. Pre-Litigation:**
a. Cases under Section 138 NI Act (Cheque bouncing cases);
b. Money/Bank Loan recovery;
c. Electricity and water bills;
d. Family maintenance cases;
e. Other civil disputes.

**II. Pending cases in Courts/Tribunals:**
a. Cases under Section 138 NI Act (Cheque bouncing cases);
b. Money/Bank Loan recovery cases;
c. Motor Accident Claims;
d. Labour and Employment disputes;
e. Electricity, and other bill payment related cases;
f. Matrimonial disputes (except divorce);
g. Land acquisition (pending before the civil courts/tribunals);
h. Service matters relating to pay and allowances and retiral benefits;
i. Revenue cases.

***** Do the parties need to be physically present before the National Lok Adalat?***

**No, the parties do not need to be physically present. They can take part in the Lok Adalat online using a mobile, laptop, computer etc., though video conferencing.**

*****Any individual desirous of settling their pre-litgation disputes or those cases pending before the courts through Lok Adalat may kindly contact the following:***

**MANIPUR STATE LEGAL SERVICES AUTHORITY,**
**ADR Building Lamphelpat, Imphal West 795001,**
**e-mail: maslsa.imphal@gmail.com,**
**Mobile No. +91-9436239669; +91-9436239666**

**Helpline number for High Court Legal Services Committee (HCLSC): +91-7005752351**

**Helpline nos. for District Legal Services Authorities (DLSAs):**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. Imphal West DLSA | : +91-6009904967 | 6. Churachandpur DLSA | : +91-6009904970 |
| 2. Imphal East DLSA | : +91-6009904974 | 7. Chandel DLSA | : +91-6009904966 |
| 3. Thoubal DLSA | : +91-6009904965 | 8. Tamenglong DLSA | : +91-9856512233 |
| 4. Bishnupur DLSA | : +91-6009904968 | 9. Senapati DLSA | : +91-6009904969 |
| 5. Ukhrul DLSA | : +91-6009904972 | | |

**(Issued in public interest by: Manipur State Legal Services Authority)**
**Under the aegis of National Legal Services Authority**
HL-P/6971/7 & 8 Sept.